**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.45 PM**
**(Date: 12-05-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) বোর্ড ওফ সেকেন্দরি ইদ্যুকেসন মনিপুরনা লৌবা কুমশি চহিগী হাইস্কুল লিভিং সার্তিফিকেট একজামিনেসনগী ফল ঙসি লাউথোক্লে। পাস তৌবগী চাং চাদা ৯১.৩৭ নি।

২) মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলশিংগী মীওই ১৫ না শাবা মীহুৎ কাংবু অমনা ঙসি রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাদা দিলিমিতেসনগী মতাংদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।

৩) মালেমগী মফম কয়াদা পাঙথোকবগুম মণিপুরদসু ঙসি মালেমগী নর্সশিংগী নুমিৎ পাঙথোকখি।

৪) মঙারক শুবা শিরুই লিলি ফেষ্টিভেলগী শেম শারিবশিং তুরিজম দাইরেক্তরনা ঙসি হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

অমসুং

৫) ওপরেসন সিন্দুরগী মতংদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হৌজিক ঙাইহাক্কী মতুং পুং ৮ দা জাতিগী মীয়ামদা ৱা ঙাংগনি।

------

রিজল্ট (এল)ঃ বোর্ড ওফ সেকেন্দরি ইদ্যুকেসন মনিপুরনা লৌবা কুমশি চহি হাইস্কুল লিভিং সার্তিফিকেট একজামিনেসনগী ফল ঙসি লাউথোক্লে।

পুন্না মহৈরোই লিশিং ৩৬,৯৪৩ না পরিক্ষা থাবদা মহৈরোই লিশিং ৩৩,৭৫৫ পাস তৌখি। পাস তৌবগী চাং চাদা ৯১.৩৭ নি। পাস তৌবগী চাং হৌখিবা চহিগা য়েংনবদা হন্দক্কী চহিদনা চাদা ২ গী চাংদা হন্থরে। মমাং চহিদা পাস তৌবগী চাং চাদা ৯৩.০৩ ওইখি।

নুপামচা মহৈরোই লিশিং ১৮,৩৮৭ পরিক্ষা থাবদা মহৈরোই লিশিং ১৬,৮২৫ পাস তৌখি। পাস তৌবগী চাং চাদা ৯১.৫০ ওইখি। অদুগা নুপীমচা মহৈরোই লিশিং ১৮,৫৫৬ পরিক্ষা থাবদা লিশিং ১৬,৯৩০ পাস তৌখি। পাস তৌবগী চাং চাদা ৯১.২৪ ওইখি।

হন্দক্কী পরিক্ষা অসিদা সরকারগী স্কুলশিংগী ওইনা মহৈরোই পুন্না লিশিং ৮,৪০৪ পরিক্ষা থাবদা মহৈরোই লিশিং ৬,৯১৮ পাস তৌখি। পাস তৌবগী চাং চাদা ৮২.৩২ ওইখি। এদেদ স্কুলশিংগী ওইনা মহৈরোই লিশিং ১,২০৭ পরিক্ষা থাবদা লিশিং ১,১০৩ পাস তৌখি। পাস তৌবগী চাং চাদা ৯১.৩৮ ওইখি। অদুগা লন্নাই স্কুলশিংগী ওইনা পুন্না মহৈরোই লিশিং ২৭,৩৩২ পরিক্ষা থাখিবগী মনুংদা মহৈরোই লিশিং ২৫.৭৩৪ পাস তৌদুনা পাস তৌবগী চাং চাদা ৯৪.১৫ ওইখি।

ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইজ্কেসন মণিপুরগী ওফিসতা পরিক্ষাগী ফল অদু লাউথোক্লদুনা রাজ্য সরকারগী ইদুকেসন (এস) বিভাগকী সেক্রেতরি নাওরেম প্রবিননা হায়- হন্দক্কী পরিক্ষা অসি পাঙথোকবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকখি। অদুবু মীয়ামা নিংথিনা তেংবাংবীবদগী পরিক্ষা অসি মায় পাকা পাঙথোকপা ঙমখি। হন্দক্কী পরিক্ষা অসিদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক খরা থোকখিবা অদু তুংদা অমুক থোক্তনবা সরকারনা হোৎনরি। মসিগীদমক কমিতি অমা শেমদুনা থবক হৌরে। কমিতি অদুনা থাগৎলকপা রিপোর্টকী মতুংইন্না খুদোংচাদবা থোকপা মতমদা করি থৌরাং পায়খৎকদগে হায়বদু লেপথোক্কনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা বোর্দকী চেয়ারমেন অখাম জোয়কুমারনা হায়- রাজ্য সরকারনা মণিপুর প্রিভেন্সন ওফ মেলপ্রাক্তিসেস ইন হাইস্কুল লিভিং সার্তিফিকেট এন্দ হায়র সেকেন্দরি একজামিনেসন ২০২৪ চৎনবা হৌখিবনা মরম ওইদুনা কুমশি চহিগী মেত্রিক পরিক্ষা নিংথিনা পাঙথোকপা ঙমখিবনি। চহি অসিগী ফেব্রুৱারি ১৯ দগী মার্চ ৭ ফাওবা পারিক্ষা পাঙথোকখি। অদুগা এপ্রিল ৭ তগী চে য়েংবা হৌখি। নুমিৎ ৩৪-৩৫ গী মনুংদা পরিক্ষাগী ফল লাউথোকপা ঙমখি। বোর্দনা হৌখিবা চহি ৫২ রোম অসিদা মেত্রিক পরিক্ষা পাঙথোক্তুনা লাকখিবশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ঙান্না  পরিক্ষা হায়দোকপা ঙম্বা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি।

রাজ্যপাল (এল)ঃ   মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলশিংগী মীওই ১৫ না শাবা মীহুৎ কাংবু অমনা ঙসি রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগা ইম্ফালগী রাজ ভবনদা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা হৌজিক চত্থরিবা মীকোক থীবগী থবক থৌরমগী মতাংদা পেন্দবা ৱাফম কয়া ফোংদোকখ্রে।

এন.পি.পি, জনতা দল য়ুনাইতেদ, সি.পি.আই.এম, আম আদমি পার্তি, এন.সি.পিনচিং দলশিংগী মীহুৎ কাংবু অদুনা রাজ্যপালগা হিরম অসিগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি। লোয়ননা দিলিমিতেসন তৌগনি হায়রিবা অদুগী মতাংদা ৱাফম কয়া য়াওবা মেমোরেন্দম অমসু পীশিনখি।

অমরোমদা, রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা ককচিং জিলাদগী মুক্তা শু ইন্দষ্ট্রিগী ফাউন্দর পদ্মাশ্রী এৱার্দি মুক্তামনি মোইরাংথেমগা ঙসি ইম্ফালগী রাজ ভবনদা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা রাজ্যপালগী মাইকৈদগী মুক্তামনিনা ওন্তরপ্রেন্যুর অমা ওইনা মহাকা হোৎনরকখিবা হনবা লৈতবা থৌনা অদুবু পুকিং থৌগৎখি।

এময়ু (এল)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী থবক থৌরমশিং তরু তনান্না অমদি মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙমবগী পান্দমদা ঈ-ওফিস পোর্তেল অমা ঙসিদগী হৌদোকখ্রে। ঈ-ওফিস হৌদোকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর- প্রোফেসার এন. লোকেন্দ্র, রেজিষ্টার ইনচার্জ প্রোফেসার টি.ঐচ.

বিনোই, ঈ-ওফিস ইমপ্লিমেন্টেসন কমিতিগী মেম্বরশিংনচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার এন. লোকেন্দ্রনা হায়-দিজিতেল গভর্নান্স হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা সরকারগী নুমিৎ ১০০ নিগী এজেন্দাগী শরুক অমা ওইনা য়ুনিভর্সিতি অসিদা ঈ-ওফিস পোর্তেল হৌদোকপনি। থৌরাং অসিনা ফাইল চৎথোক চৎশিন অমদি য়ুনিভর্সিতিগী থবক থৌরম কয়া মতম চংহন্দনা, তরু তানান্না অমদি মপুং ফানা পাঙথোকবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

নর্স(এল) ঃ মালেমগী মফম কয়াদা পাঙথোকবগুম মণিপুরদসু ঙসি মালেমগী নর্সশিংগী নুমিৎ পাঙথোকখি। নুমিৎ অসি ফ্লোরেন্স নাইতিঙ্গলগী মপোক নুমিৎপু নিংশিংদুনা অমসুং নর্সশিংনা সমাজ অসিগী য়াইফনবা লৌরিবা থৌদাংবু নিংশিংদুনা মনিপুর য়াওনা মালেমগী লৈবাক কয়াদা পাক শন্না পাঙথোকপনি। কুমসি চহীগী হিরমনা ঐখোয়গী নর্সশিং, ঐখোয়গী তুংগী লম্বী-নর্সশিংবু নিংথিনা য়েংশিনদুনা শেন্মীৎলোনগী মপাঙ্গল ফাগৎহনবা হায়বসিনি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা রিমস নর্সসেস এসোসিএসননা শিন্দুনা নুমিৎ অসি রিমসকী জ্বিলি হোলদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা রিমসকী দাইরেক্তর প্রোফেসার জি. শুনিল কুমার শর্ম্মা, মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসার এন. শঞ্জিবনচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

থৌরম অসি ইম্ফালগী পোরোম্পাৎতা লৈবা জেনিমস হোস্পিতালদসু ত্রেন নর্সেস এসোসিয়েসন জেনিমসনা শিন্দুনা হোস্পিতাল অসিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা জেনিমস হোস্পিতালদা হোস্পিতাল অসিগী ডোক্তরশিং, স্তাফশিং মপুং ওইনা নর্সশিংনা শরুক য়াখি।

থৌরমশিং অসিদা শরুক য়াখিবশিংনা হকশেলগী লমদা নর্সশিংনা কখোকপগা লোয়ননা মীয়ামগী অমদি খুন্নাই অসিগীদমক লোরিবা থৌদাংশিং শিংথাখি। রাজ্য অসিদা লৈবা তোঙান তোঙানবা নর্সশিংগী ইন্সটিট্যুসনশিংদসু নুমিৎ অসি পাঙথোকখি।

শিরুই (এল)ঃ  উখ্রুল জিলাদা থা অসিগী ২০ দগী হৌদুনা পাঙথোক্লদৌরিবা মঙারক শুবা শিরুই লিলি ফেষ্টিভেলগী শেম শারিবশিং মণিপুর সরকারগী তুরিজম বিভাগকী দাইরেক্তর পুজা এলাংবমনা লুচিংবা কাংবু অমনা ঙসি য়েংশিনখ্রে। খোঙচৎ অদুদা উখ্রুল জিলাগী দি.সি, এস.পি অমসুং সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি। ফেষ্টিভেলগী মফমশিং অদু য়েংশিনবগা লোয়ননা ফেষ্টিভেল অসি মপুং ফানা পাঙথোকবগীদমক্তসু মীফম অমা পাঙথোক্নুনা ৱা খন্নখি।

খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা তুরিজম বিভাগকী দাইরেক্তর পুজা এলাংবমনা হায়- ফেষ্টিভেল অসি মপুং ফানা পাঙথোকবগীদমক তুরিজম বিভাগকী মাইকৈদগী পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং খুমাং চাওশিন্না পায়খৎলি। ফেষ্টিভেল অসিদা তোঙান তোঙানবা কলা সংস্কৃতি, জগোই-ঈশৈ, এভেঞ্চর তুরিজম, ত্রেক্কিনচিংবা য়াওরি। ফেষ্টিভেল অসি মায় পাকা পাঙথোকবা হোৎনবদা মীয়ামা মতেং পাংবীনবা মহাকা আপীল তৌরি।

ফয়ার (এল)ঃ  ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরি ইম্ফাল অমসুং মণিপুর ষ্টেট আরকাইবস কেম্পসতা ফয়ার সেফতি দেমোন্সত্রেসন কম এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি ওফিস অসিগী চীফ লাইব্রেরিয়ান অমসুং দিপ্যুতি দিরেক্তর অনিগী মীৎয়েং মখাদা ষ্টাফশিংনা পাঙথোকখিবনি।

নোং (এল) ঃ  ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- ঙসি অমসুং হয়েং য়াওনা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা রাজ্য অসিগী মফম অয়াম্বদা অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুগনি। সেন্তর অসিনা ঙসি অমসুং হয়েং রাজ্য অসিগী জিলা খুদিংমক্তা য়েল্লো এলার্ট লাউথোকখ্রে। থংনবা নুমিৎশিংদনা রাজ্য অসিগী তম্পাক্কী জিলা খরা অমসুং চীংগী জিলা খরগী মফমদা অখাক অরাউ য়াওনা অকনবা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

মোদি ঃ   ওপরেসন সিন্দুরগী মতংদা  প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হৌজিক ঙাইহাক্কী মতুং পুং ৮ দা জাতিগী মীয়ামদা ৱা ঙাংগনি। পহলগামদা চথখিবা তমথিরবা তেরোরিষ্টকী এটেক অদুনা নেপাল মচা অমা য়াওনা মীওই ২৫ হাৎখিবা থৌদোক্কী মতুংদা ভারত লান্মীনা চথখিবা ওপরেসন সিন্দুরগা মরী লৈননা মহাক্কী ৱারোল অসি জাতিগী মীয়ামদা পীগদবনি।

ওপরেসন সিন্দুরনা পাকিস্তানগী তেরোরিষ্ট ১০০ রোম হাৎখি অমদি তোঙান তোঙানবা তেরোরিষ্টশিং ইনফ্রাষ্ট্রকচর কয়া থুগাইখি। ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা প্রদান মন্ত্রিনা নিউ দিল্লিদা লৈবা মহাক্কী বঙ্গলোদা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা পাঙথোকখি। মাফম অদুদা কেন্দ্রগী ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহ, মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্কর, নেসনেল সেক্যুরিতি এদভাইজর অজিৎ দোবাল, চীফ ওফ দিফেন্স ষ্টাফ- জেনেরেল অনিল চৌহান, ভারত লান্মী, নেভি অমসুং এয়ার ফোর্সকী মকোকশিং অমসুং অতৈ মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

কাং (এল)ঃ  শ্রীশ্রী গোপালদেব মাধোপ য়াইস্কুল কাংশঙদা চথরিবা প্লেয়ারস ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা তেকা কাংখুৎনা ক্লাসা-বিবু পাঞ্জল ২২-১৪ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ  ১৫ শুবা অস্ফা সেনিয়র ৱিমেন ফুটবোল লিগকী ঙসি তাকয়েল সাই গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা য়ুথ ৱেলফ্যার ক্লবনা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ   লমলোং থোংখোঙদা লৈবা আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথরিবা অনিসুবা প্রেমিয়র লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ইম্ফাল য়ুথ ফুটবোল ক্লবনা অংথা এফ.সিবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে। য়ু.দি.ও অমসুং য়ুনাইতেদ চান্দেল এফ.সি শান্নখিবা মেটচতা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ তেন্থা মল্টিপ্লেক্সতা শান্নখিবা তকৱা ত্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা- চজিং এফ.সি অমসুং থৌবাল এফ.সি পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা এম.ৱাই.দি.এ মাইরেলখুলনা থার্তিন ষ্টার ৱাই.দি.এ খাঙবোকপু পাঞ্জল ৫-২ দা থোইখি।

ফুটবোল (এল)ঃ সিতি ক্লব গ্রাউন্দ হৈরোক লিতান মখোঙদা চথুরিবা মাইপাকপী মেমোরিয়েল ত্রোফি ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা লৈকাই এফ.সি য়াইস্কুল অমসুং ঙারিয়ান এফ.সি পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে। তোন্বী এফ.সি লিলোং অমসুং পারস এফ.সি হৈরোক পাঞ্জল অমত্তা চন্নদা দ্রো চৎখ্রে।

ক্রিকেট (এল)ঃ নাগালেন্দ ক্রিকেট এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা চথুরিবা থার্দ এন.ই.সি.দি.সি সেনিয়র মেন্স ইন্তর ষ্টেট ফ্রেন্দসিপ তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচ অমদা মণিপুরনা মিজোরমবু রন ২০২ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট (এল)ঃ অহুমশুবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স অন্দর নাইন্তিন ৱান ডে ত্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা দা- সেদো থাংমৈবন্দনা পি.এস.সি খোয়াথোংবু ৱিকেট ৯ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট (এল)ঃ অহুমশুবা এম.এন.সি.এ. মেন্স অন্দর নাইন্তিন ৱান ডে ত্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেলদা অক্সদো খাঙবোকনা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সি ললাম্বুং মখোঙবু রন ১১৮ দা থোইখ্রে।

------